ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, এপ্রিল ০৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ০১৪শুবা মশীং

# চাক পুক থন্না পীজবা

## অদুগা মখোঙ অনী পুল্লপ ককথৎপা

**মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগীদমক লৈবাক লৈঙাকচবা, ৱায়েল চুপ্লি খূৎপায়নজবা হায়বসিবু দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন হায়রিবসি নৎত্রা? অদুগা মসিদি পীকখ্রবা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী খম থেংবা চিদাইদা লৈরিবা মণিপুর খক্তগী ওইবা ৱাফমসু নত্তে। চাওখ্রবা লৈবাকসিগী য়ামখ্রবা মীয়ামগী ওইবা ৱাফমনি। মসি ওইরগদি কুমজা ২০১৪দগী দেল্লীদা লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়রক্লিবা কাঙবুসিনা লৈবাকসিদা তৌরক্লিবা ময়ামসিবু করিনো? নোংমগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মনুংদগী হৱাই-চেঙৱাইদগী হৌরগা চাক থোংনবা গ্যাস, পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলনচিংবসিবু অতিয়া খ্রেৎ-খ্রেৎ খেৎনা লেপ্তুনা ৱাংখৎহল্লিবা করিগীনো? থৌওংশিং অসিবু লৈবাকসিদা লায়রবশিং লৈহন্দনবনি হায়রিবা অসিবু লায়রবা ওইহল্লিবা মীওইশিংবু লায়রবগী অৱাৎপতনা থল্লবা কোমদগী চিংখৎপীদুনা কোকহনবদুরা নৎত্রগা লায়রবশিংবু লৈহন্দনবা হাত্তোকপনা ওইগদৌরিব্রা হায়বসিনি। লৈঙাক্না মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা শেল চঙবনিনা লৈবাকসিদগী মপান লৈবাকশিংদা থাদোকপা পোখোক্কী মমল অমসুং শেন্দোং খক্তুনা চলাইবা কোন্নদবদগী মীয়ামদগী টেক্স লৌদবা য়াদবগী ফীভমদা লাক্লগসু লায়রবশিংদা হকথেংননা ৱাহনগদবা থৌওংশিং চত্থরকপা চুমগদ্রা? মস্বাইদদি টেক্সকী লৌনীংলিবা শেনফমশিংদু পীবা ঙম্বা ইনাক খুনবা, লৈরিক-লৈরাক থনবা মীওইশিংদগীনা মতৌ করম্না লৌগনি অদুগা লায়রবশিংবুনা করম্না হেন্না ৱাবা ফীভম মায়োক্নহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা মেকানিজম অমা পুথোকপা হৈবসু তঙাইফদে হায়নীংই। মরমদি লৈবাক মীয়ামগী ওইবা টেক্সনি, লৌখৎফম থোকপনি হায়দুনা শিৎ নান্না তেংদুনা লৌখৎলক্লগদি অতোংবদা লৈথোনবা অমসুং অকুৎপদা লৈতৌবগী থৌদৌনি হায়দবা য়ারক্লোই। অদুগা লৈবাক মীয়ামগী থৌগাই পুরিবা মীহুৎশিংগী মথৌদি য়ারিবমখে মখোয়গী মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী ফীভম ফগৎহন্দুনা নুংঙাই য়াইফনা লৈহনবদুনি।**

**অদুবু পূম্নমক অসি লৈবাকসিগী ৱায়েল থৌদা খূৎপায়নরক্লিবা পার্টিসিগী লৈঙাক্না লৈবাকসিগী মীয়ামদা পীবা ঙল্লিবরা হায়বসিনি। মরমদি টর্ম অনী শুনা লৈঙাক খূৎপায়নরকপদা লৈবাকসিগী মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং লোইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ওইরগদি হন্দক মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি মীখলশিং পাঙথোকখিবদা পঞ্জাবতা বি জে পিনা মশাগী খোঙ্গুল মুৎপা য়াবগী ফীভমদা তোরা তুখ্রিবা করিগীনো? মণিপুরদবুদি মমাঙদা ২১ কারম্বদগী হন্দক ১১ হেঙ্গৎলক্লগা ৩২গী মপু ওইবা ঙমখি। অদুবু সিট ৪০ লৈবা গোৱাদদি সিট ২০দগী হেন্না কাবা ঙমখিদে। লৈঙাক শেম্বা য়াবগী মশীং কম্মান্দ তৌই হায়রগসু উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখণ্ডদনা বি জে পিনা মমাঙগী মীখলশিংদা ফংখিবা মশীংদগী হন্থনা ফংখ্রিবনি। ষ্টেট মঙাগী মীখল মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ষ্টেটতুগী মীখল পাঙথোকখিবদসু তৃণমুল কোংগ্রেসনা অদুম্মক অমুক হন্না পৱার পায়বা ঙমখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীয়াম্না বি জে পিদা লৈঙাক শিন্নখিদে। পূম্নমকসিনা তাক্লিবদি কুমজা ২০১৪দগী লিংলক্লিবা দেল্লীগী লৈঙাক্লোইশিং অসি লৈবাকসিগী মীয়াম্না তপ্না-তপ্না ইন্থোকপা হৌরক্লব্রা হায়বসিনি। মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংলগসু চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙগী শেনফম লুপা লাখ ২দগী ৫দা হেনগৎহল্লে, ষ্টার্ট-অপকী শেল্লেপ লুপা ক্রোর ৩০দগী ১০০ ওইহল্লে হায়রগসু পোৎ চৈগী মমল লেপ্তুনা হেঙ্গৎহল্লকপা, গ্যাস, পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমলনা লেপ থুমজিনহনবগী ফীভম য়ৌহল্লক্লগদি ওইজ-ওইথক্তা, কান্নবদা হেনগৎহল্লক্লে হায়দুনা হরাওরুবা য়ারিব্রা? মমল হুন্নদুনা লৈরকপা ঙাগী মমল হন্থরক্লে হরাওরুরগা য়ূম য়ৌরগা ঙা মশীং ৱাৎলম্বগী থৌদৌদু থোক্ত্রিবরা হায়বনি। মসিদি এঙ্খাং অহাওবা থোংদুনা হরাওনা চাক পুক পীক থন্না পীজরগা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনবা মখোঙ অনীমক পুল্লপ ককথৎপগী ফীভমনি হায়দুনা লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? থৌওংসিবু কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী মীখল মমাঙ ফাওবা লেপ্তুনা হেঙ্গৎহল্লগা ভোট থাদনগদবা নুমিৎকী মাঙওইননা খংতা তাহল্লগা মীয়াম্বু নুংশিবা শাগে হায়বগীদমক থৌওইনা তৌরিব্রা?**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **"মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূম্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্নবা লাক্নরি। ৱাহৈ লীক্না শীজিন্নদুনা খজিক্তুনা য়াম্না ফোঙদোক্নবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।"** শক্নাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্নাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***"ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।"*** শক্নাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **"গীতাঞ্জলি"** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্না হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **"গীতাঞ্জলি"** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***"মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)"*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭২

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পীকখ্রবা ৱাখলগী থোঙনাওগী মখুলদগী হৌখিববু নীংশিংদুনা শান্নবা অসিসু মনুংঙাই অমনি। চহী কয়ানা ননশিন্দুনা থম্বীখ্রবা পুন্সিদা থোকখিবা থৌদোক কয়া কয়াশিং অদু হৌজিক্কী মীরোলসিনা থোইনা মমল লৈনা নীংশিংলুদ্রবসু মদুগী কান্নবা অমদি মদুনা পীবা লৌশিং কয়া অদুদি কুইর-কুইরগা অসুম হেল্লকই। য়াম্না কুইখ্রে, চপ চাবা চহীদুমক্তি কাউখ্রে, চাওরাক্না কুমজা ১৯৮৪/৮৫ কুম্বা ওইরমগদ্রা খল্লি। লৈখিদ্রবা মমিং লৈরবা প্লেরাইট খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনা ইবা **নমাংসু লাং নতুংসু তেন** হায়বা দ্রামা অদুদগী ঐখোয়না মমিং ওন্থোক্লগা, শুমাং লীলা ওইনা শান্নবা য়ানবা খরা শেমজিন শাজিন্দুনা **'কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান'** হায়না কৌবা অমা শান্নখি। লীলাদু য়াম্না মমিং চৎখি। মতমদুদা শাকখিবা ঈশৈশিং অদু হৌজিকসু মীয়াম্না পাম্না তানরি, অমা অনীদং পল্লবদা- "ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্নুনা থম্মোয়নুংদা, নুংশি মৈশা লাংখিনি..." অমদি "মসিগীদমক্না নুংশিরুবা, মসিগীদমক্না কথোক্লুবা, মীৎকী পিনা ঈচেল নাইরক্লে, লৈকংলা ওইরবা পুন্সি অসিদা..." হায়বা ঈশৈ অনী অসিনি। অতোপ্পা ঈশৈ অনী অহুম অমসু য়াওরি, লোইনমক ফজখি। ঈশৈদু ঐনা য়াম্না পূক্লিং চঙনা ইখিবনি। মরমদি ঐখোয়গী মরুপ জিতেন খাইদেমনা পার্টিদগী তোকখ্রবা মতুংদা, ঈশৈগী সেক্সন অসি খরা হোগদ্রা হায়না চিংনবদগী শোত্থবা য়াদে হায়না কন্না হোৎনখিবা মতমনি। ঈশৈশিং অদু লৈখিদ্রবা খুন জয়কুমারনা শুর পানখিবনি। শুর নিংথিনা পানখি। হৌজিকসু ঈশৈশিং অদু মীয়াম্না পাম্না তানরিবনি। ঈশৈ অনীমক অসিগী অহানবা অসি লৈখিদ্রবা ঐখোয়গী শৈশকপা ওইখিবা নবা শর্ম্মনা শকপনি, অদুবু মহাক্না লৈরিঙৈগী মতমদা ঐঙোন্দা লাক্লগা মহাক্কী মচানুপীনা রেদিওদা শকহল্লগে মতম কুইনা রেদোর্ক লৈহৌনবা হায়না হায়রমখি। ঐনসু অয়াবা পীদুনা রেদিওদা শকখি। অদুগা অনীশুবা ঈশৈ অসিনা হৱাইবম বুধিনা মহাক্কী ইহান হানবা রেদিওগী প্রোগ্রামদা শকখিবনি। রেদিওদা ঈশৈ অসিসু য়াম্না পোপ্যুলর ওইখিবনি।

মদুগী লীলা অদু মতমদুদা পাঙথোকপা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াখি। নুমিৎ অদুনি ঐগী পুন্সিদা কাউবা ঙমদনা লৈহৌরগদবা। নীংশিংলুবদা য়াম্না তুজুংবা অমদি অকিবা ফাওবা থৌদোক অমনি। মহৌশাদগী হৌনা ঐহাক্কী অরুবা থবক অমা তৌবা হায়বসি য়ূমগী লাইনিংথৌ অমদি ইমা লৈমরেলদা খুরুমজদুনা, অথেন পোৎ কাজরগা মদুনা থোঙ থাক্লগা লাকচবনি। লীলাদু শান্নবা চৎত্রিঙৈ মমাঙদসু লীলাগী ওফিসতা থাজজবা অমা ওইনা লাই খুরুম্বগী থৌরম অমা অদুম পাঙথোকই। মদুগী পোৎ চৈ অৱাৎ অপা লৈবা চৎপনি। ঐনা নীংশিংবদা নুমিৎ অদুদা কৎনবা শেম, কোমলা খরা খরা, কেন্দল অমদি ধুপ লৈবা চৎপনি। লৈরুরগা হল্লক্লগা ঐখোয়গী ওফিস চঙবগী লম্বীদুদা চঙলকপদনি, মথোল অনীশুবদা শাবা য়ূমদুদগী মিষ্ট্রিগী মখূৎতগী নান্থরকপা চেক অমনা ঐগী লৱাই অসিদা থোমখিবা। ঐদি অদুম লৌশিং মাঙখ্রে। করি তৌখ্রবগে হায়বা অমত্তা খঙদ্রে। নুমিৎতু ওফিসতা ঐখোয়গী পার্টিগী মীশিং, লৈখিদ্রবা খুন জয়কুমার, লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম সমসন য়াওনা ঐখোয়বু নুংশিবীবা ময়াম অমসু লৈহৌরিবনি হায়বা ঐ নীংশিংলি। চেকনা পাল্লবা মতুংদা ঐহাক মতমদুগী সিটি হোস্পিটাল হায়দুনা হৌজিক টেম্পরারি মার্কেট শারিবা অসিদা লৈরম্বা অদুদা পুশিনবদগী, মখোয়না সিদি কোক্তা শোকপনিনা, সিদা য়েংবা খুদোং চাররোই হায়না হৌজিক্কী রিমস হোস্পিটাল ওইরিবা মতম অমদা আর এম সী জেনরেল হোস্পিটাল হায়রিবা অসিদা পুখৎপনি। ঐনা লৌশিং তারকপদু ঐহাক আর এম সী হোস্পিটালগী বেদতা লৈরবা মতুংদা লৌশিং লাকপনি। ঐগী ইনাক্তা ময়াম অমা ইকোয় কোয়দুনা লৈরম্মে। খরা অমসু মপান্দা লৈরম্বদগী লৌশিং লাক্লে হায়বদুদা চেনশিন্নরকখিবদু ঐ নীংশিংলি। অদুবু ঐহাক্তি ইশা ফাওবা লেঙবা ঙমদ্রে।

নুমিত্তুদা ঐখোয়গী লীলাদু য়েংনবগীদমক, মাঙজৌননা টিকেট হাওস ফুল ওইখ্রবনি। মীনা কৃক-কৃক ইন্নবা মতম অদুদা ঐ শোকপদগী লীলাদু শান্নবা ঙম্মরোই হায়না লাউথোরকপদা, ঐবু নুংশিবা কয়া অমসু হোস্পিটালদা লাক্তুনা হংনরকখিবদু ঐনা করম্না কাউগনি। মতমদুদা লাকপীখিবা ঐনা শক খঙহৌবা অমদি খঙহৌদ্রবা খুদিংমকপু ঙসিসু ঐনা ইকায়খুম্নজরি। মতমদুদা হৌজিক্কী সী টি স্কেন/এম আর আইগা হায়বা মেছিন অদু লৈবা নত্তে। ইচম চম্বা এক্স-রেনি। মদুদা ময়েক শেংবোই শেংদবোই নল্লগা, কৈসু থোইদোকপা তৌররোই, নুংশা থীনীংঙাই লৈত্রে হায়বদা ময়ামদু নুংশা শ্বর হোন্নখিবনি। মরমদি কোক্তা শোকপা হায়বসি য়াম্না লুই। ঐগী লৱাইসি হৌজিকসু য়েংবদা ফোৎখিবগী মফম ১২ তাদুনা লৈরি। লাইবক ফবদগী কৈসু থোইদোকপা তৌহৌদবনি। তশেংনদি লাইনা চানবীবনি। মথোল অনী ৱাংবা য়ূমথক্তু শাবদা লূমখ্রবা চেকপুম অমনা মিষ্ট্রিগী মখূৎতগী নান্থরক্লগা মখাদা চৎলিবা ঐগী লৱাইদা তাদুনা পানবদা ঐনা কৈসু তৌদনা হিংহৌরিবা অমদি ৱাখল চোইহৌদ্রিবসি ঐগী খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমদি লাইনা চানবী হায়বদু নত্তনা করি ওইফম থোকই। মী অতৈ হন্নখ্রবসু ঐগী লীলাগী পার্টিগী মী অয়াম্বদি অমত্তা হন্নখিদে। মখোয়গী মনুংদা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা দেবদত্ত শর্ম্মা, ময়াম্না বোবি শাবী হায়না খঙনবদু য়াম্না কপখি। মানা কপখিবদু ঐ ঙসিসু নীংশিংলি।

অসুম্না নুমিৎ হুমনি মরিনি মতুংদা ঐগী ফীভম হান্নদগী য়াম্না ফরকখি। ইশা লেঙ ওৎপা অমদি হৌগৎতুনা চৎপা, টৌইলেট চঙবা লোইনা ঙল্লে। অদুবু ফোৎখিবগী শমৈদি শৎপা নত্তে। মতমদুদা ঐগী শমসিসু চৎনবী অমা ওইনা অদুম শাংলিবনি। পোজ তৌ তৌদুনা শমজেৎ হাৎলিবনি। নুমিদাং তূম্বদা শমগী পোজ কায়গনি হায়না ফি য়েৎলগা তূন্লিবনি। ইশা খঙনা য়াওনবদা ফাওবা শেম শেমদুনা য়াওল্লিবনি শমগী পোজ কায়গনি হায়না। অদুম্না চেকশিন্না থমজবা শমদু লৱাইদা লোইনা কোকথোকপীরম্মে। ইহাঙ হাঙলে। অতৈ এরিয়াবুদি ককতে, কায়রিবা লৱাই অদুমদি ফোৎপগী করিগী ওইরমাল্লে পুমকোক কোক্লে। অদুগা কোকসি অঙৌবা বেন্দেজনা পুময়োম য়োমখৈ য়েৎলিবনি। কোকসি ফৎ ফৎ লেঙবদা য়াম্না ঙাওরিবা মতমনি। হীদাক চাদুনা/কাপ্তুনা কন্না হোৎনরি। ঐ ইশাসু আর এম সীদা থবক তৌবনিনা, লৈরিবা ডাক্টর/নর্স ময়াম অদুনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংবী। কন্না হোৎনবী, মদুসু ঐ কাউজদ্রি। পূম্নমক্কী লমন তোনশিল্লি খঞ্জরিবনি হৌজিকসু। নুংঙাইরিবদি, কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান হায়বা লীলাদু য়াম ফজখিবনি, ঐনা ওজা কুমার হায়বা অমা শাবনি। ঐবুসু মতমদুদা ময়াম্না ওজা কুমার শাবা হায়না খঙনবীরিবনি। ধনবির, নিলকোমোল, দেবদত্ত মখোয় মখোয়গী রোলদা শোয়দনা মনা ফংগনি হায়না খঞ্জবা ঙাক্তনি। অদুনা মখোয়না কুম অদুগী ওইনা ফেষ্টিবেল য়াওদ্রবনিনা মনা অমত্তা ফংলরোই হায়বগী নুংনাংবদু ঐনা ইরায় লায়না উখি। মখোয়না ঐগী নাক্তা লাক্লগা নুংঙাইতনা শোল্লবা কয়া অদুনা ঐঙোন্দা থৌনা হাপ্লগা ঐবু য়েংলিবা ডাক্টর অদুদা হায়নখি। লীলা নুমিৎ অদুদং ঐ ঙাইহাক্তং হোস্পিটালসিদগী চৎচগে, অদুগা লীলা লোইরগা ঐ অমুক লাকচগে হায়না। মদু হোস্পিটালগী রুলদদি য়াবা নত্তে। করিগুম্বা অশোয় অঙাম থোক্লবদি হোস্পিটালগী মীংচৎ থীগদৌরিবনি হায়না অহানবদা ডাক্টরনা য়াদে। নর্সশিংদসু ঐনা কন্না হায়নরে। করিগুম্বা ডাক্টরনা য়াদ্রবদি ঐ লোন্না তূমিন্না চৎলগা কুইরোই পুং ২ মুক্তং মাঙগে হায়না হায়নৈ। মরমদি ঐনা মাঙগদৌরিবা মতম অদুদদি নুংথিল ওইবনিনা ডাক্টরসু রাউন্দ লাক্তবা মতমনি। খঙগদৌরিবদি নর্সশিংনি অদুনা মখোয়না য়ারদি য়াগনি হায়না ঐ মখোয়দা হায়নরে। য়ানরে। লীলাগী নুমিৎ লেপখ্রে, ঐগীদমক অখন্নবা গাড়ী অমা থৌরাং তৌরে। মতমদুদা গাড়ী অচৌবা তোংবা ঐখোয় কনা অমত্তা য়াওদে। লীলা হৌরমদাই খক্তুদদা ঐ চৎলে। অদুগা ঐগী বেন্দেজ অদু লৌথোক্লগা, কোকথোকখ্রবা শম মপা অদু কোই হাপ্পগী শমদুনা শেম্মগা খুমজিল্লে। অদুগা ফজনা শেমজিল্লগা লীলাদু থোকখি। ময়াম পূম্নমকশিংদু লীলা নুংঙাইনা য়েংখি। ঐ লীলা শান্নরিঙৈ ৱা খরা কন্না ঙাঙবদা কোক ফুং ফুং ঙাওই। অদুনা য়েং য়েংদুনা লীলাদু শান্নরে। লীলাদু লোইরগা ঐ অমুক তূমিন্না হল্লক্লগা হোস্পিটালদা হিপখি।

হায়বগা তৌবগা লীলাদুদা ঐখোয় মনা য়াম্না লৌখি। ঐসু সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর তাই। দেবদত্ত, ধনবির, নিলকোমোল লোইনমক মনা ফংখি। ঈশৈ ইবগীসু, শকপগীসু মনা ফনা য়াম্না ফংখিবনি। মতমদুদা লীলাগীদমক কয়াগী মতিক ৱাজখিবা, ঐনা নাবদুনা মরম ওইরগা কুম অমগী ওইনা ময়াম অদুনা নীংবা কায়গদবদু য়েংলগা ঐহাক হোস্পিটালদা লৈনা লৈনা লীলা কুমখিবদো হৌজিক লীলা তৌরিবা মতমদুগী মীওইশিং কনা কনানা নীংশিংনরিবনো খঙদে। ঐদি কাউবা ঙমদনা হৌজিকসু লৈরি। ●

# শু-নোমদনা চাওখৎপা, নুংঙাইবা য়ারোই

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

লম অমা, লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি মরম কয়া অমা লৈখ্রে। মরমশিং অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমা হায়রগদি লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা মতৌ করম্না থবক তৌই, থবক তৌবদা কয়াম থুনা অমদি কয়াম তপ্না লোইশিনবগে, পাঙথোকপগে হায়বসিগী মখাসু য়াম্না পোল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা, ওফিস থোঙ করম্বা মতমদা হাংগনি, করম্বা মওংদা থবক শুগনি অমদি করম্বা মতমদা থোঙ লোনগনি হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। ঐহাক্না লৈজরিবা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা মীয়াম্না থবক কন্না শুবগী চৎনবী, হৈনবী অসি অসুক্কী মতিক কল্লক্তবা ঙমদে।

টাইৱান্দা ওফিসশিংগী ওইনা চয়োল অমদা নুমিৎ মঙানি ওফিস কাগনি ওফিসতা থবক তৌবশিংনা। অদুগা নোংমদা পুং ৮ থবক শুগদবনি। চয়োল খুদিংগী থাংজ অমদি নোংমাইজিং খুদিং হায়বদি নুমিৎ নীনি থবক শুবা লেপকনি। প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী ওইনদি থবক লেপ্পা নুমিৎসি খেন্নে থবক-থবক্কী মতুংইন্না অমদি মীওই মীওইদুগী অপাম্বা অমদি চান্নবা মতুংইন্না। অদুগা নোংমগী ওফিস কাবগী অমদি ওফিস থোঙ লোনবগী মতমসু খেন্নে। মীওই খরা অমনা অয়ূক ঙন্তা থবক কাগনি, খরা অমনা নুমিদাংগী মতমদা কাগনি, অদুগা খরা অমনা নুংথিলগী মতমদা ওফিস কাগনি। থবক কাবগী, থবক লেপ্পগী অমদি চয়োল অমদা থবক, শিন্থা লেপ্পগী মতম নুমিৎ খেন্নরবসু চয়োল অমদা অমদি নোংমদা পুং অসুক থবক শুগদগে হায়বদুদি লোইনা মান্নে। ওফিসতা থবক তৌবা মীওই খুদিংমক চয়োল অমদা নুমিৎ মঙানি ওফিস কাগদবনি অদুগা নোংমদা পুং ৮ থবক শুগদবনি। পুং ৮সিগী মথক্তা পুং অমদি চাকলেন চাবগী, পোত্থাবগী মতম পীরি, হায়বদি নোংমদা পুং ৯দি ওফিসতা লৈগদবনি হায়বনি।

টাইৱান্দা থবক শুবগী অমদি পোত্থাবগী থৌওংসি ইন্টরনেসনল লেবর ওর্গনাইজেসননা পীবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু ইন্দুনা চৎলি। চয়োল অমদা নুমিৎ নীনি থবক লেপ্পা, নোংমদা পুং ৮ থবক শুবা, পুং ৮ অমনা থবক লেপ্তুনা পোত্থাবা (ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাংশিংগা নৎত্রগা ঐখোয়না পামজবা য়ূমগী, ইশাগী ওইবা থবক ইনখাংশিং তৌবা, পোত্থাবা), অদুগা পুং ৮ অমনা তূম্বগী মতম খাইদোকপা হায়না লৈ। অদুম ওইনমক টাইৱানগী মীওই অয়াম্বনা ওফিসনা পীরিবা পুংজাশিং অসিদগী হেন্না থবক শুনবনা অয়াম্বনি। নোংমদা পুং ৮ শুগদবা অদুদগী পুং অমা, অনী হেন্না শুনবনা অয়াম্বনি। মসিগী মরু ওইবা মরম হায়রগদি ওফিসকী থবক খুদিংমক মতম চানা লোইবা ঙম্নবনি। মরম অসিননি টাইৱান্দা ওফিস অমনা থবক খুদিংমক মতম চানা চানা লোইশিনবা ঙল্লিবা। করিগুম্বা হোস্পিটাল নৎত্রগা ওফিস অমনা পুং অসুক্তা, নুমিৎ অসুক্তা চে-চাং লৌবা লাকউ হায়রকপদা থবক লোইদনা লৈরম্বা অমুক্তসু য়াওদ্রি। পীরকখিবা মতমদুদা চপ চপ চানা অদুম লৌথোকপা ঙম্মী। মসিনা মরম ওইদুনা মতম মাঙহন্দে, অপেনবা পোকহল্লি। অদুবু ইন্দিয়াদদি, মরু ওইনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদদি লোইরে হায়হৈদে হায়বদুনি।

ইন্দিয়াদদি য়াম্না চাওখৎপা য়াবনি লমদম অসিদা লৈরিবা মেনপৱার অসি য়েংলুরগদি। মালেমগী লৈবাক কয়াগী মনুংদা তুংদা চহী মঙা তরাগী মনুংদা শেল-থুম চাওখৎপদা ইন্দিয়াসু য়াওরিবনি। হায়নৈ কুমজা ২০৩০দা ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী (ইকোনোমি দিভেলপমেন্ট) ফীভমসি মালেমগী ওইনা য়ু এস এ অমদি চাইনাগী হেক মথংদা অহুমশুবদা লৈবা য়াই হায়না। অদুবু ঐহাক্কী ৱাখলদদি মসি ওইথোক্কনি হায়বা শুংথা হেক থাজদে, করিগী ইন্দিয়াগী থবক খূৎশুসি অসুক্কী মতিক তপ্পী অদুগা পীরিবা পুংশিং ৮সিসু মপূং ফানা থবক তৌনদে, শুদে, মথৌ তৌনদে অয়াম্বনা। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা থবক শুবসি তপ্লমদ্রবদি ঙসি ঙসিমক মালেমগী ওইনা শেল-থুমগী ফীভমদা অহুমশুবা, মরিশুবা অদুৱাইদা লৈরম্বসু য়ারিবনি। খ্বাইদগী ফত্তবা অমনা শেঞ্জা-থুমজা (করপসন) য়াম্না ৱাংবা অসিনি। করপসন ৱাংবনা থবক খনবদা মতিক চাবা মীওই খনবগী মহুত্তা মতিক চাদবা মীওইশিং খনবনা থবক নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দে, মরম অসিনসু থবক পাঙথোকপা, লোইশিনবগী থাকসি য়াম্না নেমহল্লি। মথৌ খঙনা থবক শুদ্রবদা করম্বা লম্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনো।

মরু ওইনা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদদি অসুক্কী মতিক নীংবা কায়নীংঙাইগী ফীভমদা লৈরি ওফিসতা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী থবক খূৎশুসে, মরু ওইনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙশিংদা। প্রাইভেট কম্পেনিশিংদদি খরা ফরমগনি খল্লি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী ওইবা ওফিসশিংদা তৌরিসিদি লোইরে। চে চাং অমা লৌথোকপদা নোংমদা লোইশিনবা য়াবা থবক্তুদা চয়োল অমা/অনী হেক্তা চঙহনবা ঙম্মী। অয়াম্বা মতমদা থবক্তু শুংতৌ তৌবীদনা নমশিন্দুনা থল্লিবনি। অদুম ওইনমক শেলবু খরা চাউনা পীরবদি নোংমদা অদুম লোইশিনবা য়াই। অসিগুম্বা থবক খূৎশুসিদবু করম্না থবক লোইশিনবা ঙমগদৌরিবা অমদি মাঙদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবা। ওফিস কাবসু পুং ৮দা য়ৌগদবা অদুনা পুং ১১, ১২দা কারনি অদুগা হল্লকপনা অমুক পুং ৩/৪ অদুৱাইদা ঙন্তানা থোরক্লনি। মতমবু অসুক য়াম্না মাঙহনবা, মতমবু নীংথিনা শীজিন্নদ্রবদা করম্বা লৈবাক্না চাওখৎপা ঙমগদৌরিবা, ঙল্লোই। মকোক ওইনা লৈরিবা ওফিসরশিং, মিনিষ্টরশিংনসু করিমত্তা য়েংশিনবীদে মরমদি খ্বাইদগী পীকপা এমপ্লোয়ীদগী হৌরগা খ্বাইদগী চাওবা মিনিষ্টর ফাওবা পূন্না শেল চামিন্নবনা। পাল্লিবা লৈঙাক অসিসু লৈঙাক পায়বা হৌরকপদদি করপসন মুথৎকনি কায়না য়াম্না মান্না লাউবদুদা শোয়দনা খরদি তৌরক্কদবগুম খল্লুবনি অদুবু করপসন শৌগৎপা লৈঙাক ওইনা থোক্লে। হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনা হান্না পাল্লম্বা লৈঙাকশিংদগী হেন্নদুম শেল-থুমদা চোপ্পী, শেল চাই হায়না তত্তনা তাই, উই পাউচেশিংদা অমদি সোসল মীদিয়ানচিংবদা।

লোইশিল্লকপদা হায়জনীংবদি, নীংশিংজনীংবদি, ঙসি ঐখোয়না ইথৌ মশক খঙনা, ইরমদমগী খন্দুনা থবক নীংথিনা শুরবদি, মতমবু নীংথিজনা শীজিন্নদ্রবদি ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংনা তুংদা মীনাই ওইনা লৈহৌগনি হায়বসি ঐখোয় কাউফদে। ঐখোয়না থবক শুনীংদবদগী মীতোপ মীয়ানচা কয়ানা চাকনীবগুম থবক মচা মচা শুরম্বা অদুনা ঙসিদি মখোয়না ইম্ফাল ময়োলসে অয়াম্বা লৌশিনখ্রে অদুগা মরু ওইবা মফম কয়াদা মখোয়গী লল্লোনফম ওইখ্রে, অদুগা য়ূম-কৈ, দুকান্নচিংবসু মখোয়না অয়াম্বা লৌশিনখ্রে। মসিগী মথক্তা মখোয়না ইরমদমদা লৈজগদবা শেনফম কয়া মখোয় মখোয়গী ষ্টেটতা থাদোক্লিবনি। মসি খঙনা ঐখোয় থবক চিলহাও থীবা য়াদে লোয়ননা ইথৌ মশক খঙনা থবক তৌবা অমদি মতম্বু তাঙনা, হৈনা শীজিন্নবগী মতম হেনজিনখ্রবনি। থবক শুদনা নুংঙাইবা য়াদে খঙনা থবক কন্না, হৈনা, শীংনা শুবা হৌরসি, মতম মাঙহন্দনা লৈবা তল্লসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।